# পিজা, বর্গর হোম দেলিভরি য়ারবদি রসনদি করিগী য়ারোইদগে: অর্ভিবন্দ কেজ্রিৱাল



ন্যু দেল্লী, জুন ০৬ (এজেন্সী):

দেল্লী গভর্ণমেন্টনা পায়খৎপা য়ূমদা রসন থীনবগী থৌরাং সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা অথিংবা পী হায়না অর্ভিন্দ কেজ্রিৱাল গভর্ণমেন্টনা ক্লেম তৌখ্রবা মতুংদা চীফ মিনিষ্টরনা নোংমাইজিং নুমিত্তসু সেন্টরবু রসন মাফিয়াগী ইথিল মখাদা লায়রবশিংদা কান্নহনগদবা অমসুং অওনবা পুরকপদা মতেং ওইগদবা স্কিম নেসনল কেপিটেলদা ইমপ্লিমেন্ট তৌহন্দনবা শীল্লে হায়না মরাল শীখ্রে।

দেল্লীগী য়ূমথোঙশিংদা রসন থিনবগী স্কিম ইমপ্লিমেন্ট তৌগদবা নুমিৎ নিনিখত্তা ঙাইরক্লবা মতমদা সেন্ট্রল গভর্ণমেন্টনা থিংলকখি। পিজা, বর্গর, স্মার্টফোন অমসুং ফিরোলশিং য়ূমদা থিনবা য়ারবদি করিগী রসনসু হোম দেলিভরি য়ারোইদৌরিবনো হায়না কেজ্রিৱালনা হংখি।

কেজ্রিৱালনা মখা তানা হায়, ইহান হানবা ওইনা গভর্ণমেন্ট অমনা রসন মাফিয়া কন্ট্রোল তৌনবগী খোঙথাং লৌখৎপনি। অদুবু মখোয় য়াম্না মতিক ময়াই লৈ। ইমপ্লিমেন্ট তৌদ্রিঙৈগী মাঙওইননা মখোয়না স্কিম অসিবু কেন্সেল তৌহনখি।

দিজিটেল প্রেস কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙলদুনা কেজ্রিৱালনা স্কিম অদু ইমপ্লিমেন্ট তৌবদা মহাক্কী গভর্ণমেন্টনা পর্মিসন লৌখি হায়বা সেন্টরগী ক্লেম মহাক্না য়ানীংদবা উৎখি। স্কিম অসি ইমপ্লিমেন্ট তৌবদা দেল্লী গভর্ণমেন্টনা সেন্টরদগী এপ্রুভেল লৌবগী মথৌ তাদে। তৌইগুম্বসুং তুংদা য়োনবা অমত্তা থোকহনবগীদমক দেল্লী গভর্ণমন্টেনা পর্মিসন পীবিনবা মঙারক হায়জখি।

কেজ্রিৱালনা হায়, য়ূমদা রসন পীনবগী স্কিম অসিনা নেসনল কেপিটেলগী রসন বেনিফিসরি লাখ ৭২ দা কান্নবা ফংহনগনি।

মহাক্না সেন্টরবু ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জি, মহারাষ্ট্রা, দেল্লী অমসুং জর্খন্দ গর্ণমেন্টশিং, লৈবাক অসিগী লৌমীশিং অমসুং লক্ষদ্বীপকী মীয়াম য়াওনা মীপূম খূদিংমক্কা খৎনৈ নৎত্রগা মুক্নে হায়না মরাল শীখি।

কেজ্রিৱালনা মখা তানা হায়, সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা মীপূম খূদিংমক্কা মুন্নরকপসিদা মীয়াম্না তৌফম খঙদদুনা ৱানরি। ঐখোয়না অসুম্না য়েৎনদুনা অমসুং খৎনদুনা লৈরবদি করম্না কোভিদ-১৯ থেংনগনি। ঐহাকপু স্কিম অসি ইমপ্লিমেন্ট তৌহনবীয়ু, মদুগী মপূং ফাবা ক্রেদিট ঐহাক্না প্রাইম মিনিষ্টরদা পীগনি। রসন হায়বসি এ এ পি নৎত্রগা বি জে পিগী নত্তে। মীয়াম্না পাম্লিবদি মোদি অমসুং কেজ্রিৱালনা লায়রবশিংদা রসন য়ৌহল্লে হায়বদুনি। দেল্লীগী লায়রবা লাখ ৭০গী মহুৎ শিন্দুনা ঐহাক্না খূৎ লোন্নদুনা স্কিম অসি ইমপ্লিমেন্ট তৌহনবীয়ু হায়জরি।

সেন্টরগী অয়াবা লৌখিদে অমসুং হায় কোর্টতা মরী লৈনবা লিটিগেসন অমা লোইশিন্দনা লৈরি হায়রদুনা য়ূমদা রসন থিনবগী স্কিম লেফ্টনেন্ট গভর্ণমেন্টনা য়াদ্রে হায়না থাংজ নুমিত্তা দেল্লী গভর্ণমেন্টনা ক্লেম তৌখিবনি।

## মরু ওইবা একুইজ ফারে

অলিগর, জুন ০৬ (এজেন্সী):

অলিগরদা থোকখিবা হু চেনবা য়ু থক্লুবদগী য়ামদ্রবদা মীওই ৩৫ শিহনখিবা থৌদোক্তা চেন্নবা মরু ওইবা এক্যুজ রিশি শর্ম্মা নোংমাইজিং নুমিৎকী অঙনবদা বুলান্দসহর বোর্দরদগী ফাখ্রে। মরু ওইবা এক্যুজ রিশি শর্ম্ম ফানবগী পাউ পীবদা লুপা লাখ অমগী শেলগী মনা পীগনি হায়না লাউথোকখ্রবনি।

অলিগরগী সিনিয়র সুপরিন্টেন্দন্ট ওফ পুলিস (এস এস পি) কালানিধি নাইথানিনা হায়, লোনা য়াদবা য়ু থকপদা মীশি-মীনা কয়া থোকহনখিবা থৌদোক্তা মরু ওইনা চেন্নরিবা রিৱার্দ লাউথোকখ্রবা রিশি শর্ম্ম বুলান্দসহর বোর্দর মনাক্তগী ফারে। মসিগী মমাঙদা কেস অসিগা মরী লৈননা লুপা ৫৮,০০০গী রিৱার্দ লাউথোকখ্রবা ভিপিন য়াদব অমসুং লুপা ২৫,০০০গী রিৱার্দ লাউথোকখ্রবা শর্ম্মগী ময়ামবা মুনিশ শর্ম্মসু পুলিসনা ফাখি। এস এস পি অসিনা হায়, মে ২৮দা হু চেনবা য়ু থক্লুবদগী মীওই কয়া শিখিবগা মরী লৈননা হৌজিক ফাওবদা অলিগরদা এফ আই আর ১৭ ফাইল তৌরে অমসুং এক্যুজ ৬১ ফারে।

# পি জি আই ইন্দেক্স ২০১৯-২০গী মকোক ৫গী মনুংদা পঞ্জাব, চান্দিগর, টামিল নাদু য়াওরে



ন্যু দেল্লী, জুন ০৬ (এজেন্সী):

পর্ফোমেন্স গ্রেদিং ইন্দেক্স (পি জি আই ২০১৯-২০)তা পঞ্জাব, চান্দিগর, টামিল নাদু, অন্দমান এন্দ নিকোবর আইলেন্দস অমসুং কেরলা খ্বায়দগী ৱাংবা গ্রেদ (গ্রেদ এ দব্বল প্লস)কী মফম কনবা ঙমখ্রে।

সেন্টরনা থাংজ নুমিত্তা স্কুল এদ্যুকেসনগী লম্দা অহোংবা চাওনা লাক্লবগা মরী লৈনবা ষ্টেটশিং অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরি (য়ু টি) শিংগী গ্রেদিং ইন্দেক্স রিলীজ তৌবা য়াহনখিবগা লোয়ননা ইনফোর্মেসন অসি লাকপনি।

গ্রেদিং ইন্দেক্স অসিনা ষ্টেটশিং অমসুং য়ু টিশিংবু মখোয়গী অহোবা অমসুং অশোয়বশিং খঙহনবদা মতেং পাংদুনা মতম চানা লৌখৎফম থোকপা থৌরাংশিং লৌখৎপা ঙমহন্দুনা থবক খূদিংমক্তা স্কুল এদ্যুকেসন সিষ্টেম মতিং লৈহল্লি।

য়ুনিয়ন এদ্যুকেসন মিনিষ্টর রামেশ পোখ্রিয়াল 'নিশঙ্ক'না পেরামিটর ৭০গা লোয়ননা এপ্রুভেল পীখি।

ষ্টেটশিং অদু য়ু টিশিংগী পি জি আই অসি কুমজা ২০১৭-১৮না রিফরেন্স চহি ওইহল্লগা কুমজা ২০১৯দা অহানবা ওইনা ফোঙখি। পি জি আই ২০১৯-২০ অসি সেরিজ অসিদা অহুমশুবা পব্লিকেসননি।

পি জি আই এক্সরসাইজ অসিগী পান্দমদি ইন্দেক্স অসিনা ষ্টেটশিং অমসুং য়ু টিশিংবু মতম চানা মচিল কয়া লোঙবা থৌরাংশিং পায়খৎহন্দুনা এদ্যুকেসনগী লম্দা খ্বাইদগী ফবা ফিভমশিং লাকহনবা অসিনি।

ষ্টেট অমসুং য়ু টি অয়াম্বা মমাঙগী চহীশিংগা চাংদম্নবদা পি জি আই ২০১৯-২০দা মখোয়গী গ্রেদ ইমপ্রুভ তৌখি। অন্দমান এন্দ নিকোবর আইলেন্দস, অরুনাচল প্রদেশ, মণিপুর, পুদুচেরি, পঞ্জাব অমসুং টামিল নাদু পি জি আই স্কোরদা চাদা ১০ হায়বদি পোইন্ট ১০০ নৎত্রগা হেন্না ইমপ্রুভ তৌখি।

মিনিষ্ট্রি ওফ এদ্যুকেসননা থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়, পি জি আই দোমেন: এক্সেসকা মরী লৈননা অন্দমান এন্দ নিকোবর আইলেন্দস, লক্ষদ্বীপ অমসুং পঞ্জাব ইমপ্রুভমেন্ট চাদা ১০ (পোইন্ট ৮) নৎত্রগা হেন্না উৎপা ঙমখি। টি জি আই দোমেন: ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমসুং ফেসিলিটিজদা ষ্টেট অমসুং য়ু টি ১৩না ইমপ্রুভমেন্ট চাদা ১০ (পোইনট ১৫) নৎত্রগা হেন্না উৎখি। অন্দমান এন্দ নিকোবর আইলেন্দস অমসুং ওরিষ্যানা ইমপ্রুভমেন্ট চাদা ২০ নৎত্রগা হেন্না উৎপা ঙমখি।

মিনিষ্ট্রি অসিগী মতুং ইন্না, পি জি আই দোমেন: ইক্বিটিদা অরুনাচল প্রদেশ, মণিপুর অমসুং ওরিষ্যানা ইমপ্রুভমেন্ট চাদা ১০গী মথক্তা উৎখি।

পি জি আই দোমেন: গভর্ণান্স প্রোসেসতা ষ্টেট অমসুং য়ু টি ১৯না ইমপ্রুভমেন্ট চাদা ১০ (পোইন্ট ৩৬) নৎত্রগা হেন্না উৎখি। দোমেন অসিদা অন্দমান এন্দ নিকোবর আইলেন্দস, অন্ধ্রপ্রদেশ, মণিপুর, পঞ্জাব, রাজস্থান অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলনা য়ামদ্রবদা ইমপ্রুভমেন্ট চাদা ২০ (পোইন্ট ৮২ নৎত্রগা হেন্না) উৎখি।

# ফ্রী দাইগনোষ্টিক সেন্টরশিং লোঞ্চ তৌরগনি

হায়দরবাদ, জুন ০৬ (এজেন্সী):

টেলঙ্গনা গভর্ণমেন্টনা ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টরস ১৯দা জুন ৯দগী গভর্ণমেন্টনা চল্লাইবা হোস্পিটাল-শিংদা লায়রবশিং ফ্রী দাইগনোষ্টিক সর্ভিসকী খুদোংচাবা ফংহল্লগনি।

দাইগনোষ্টিক সেন্টরশিং অসিনা হৌজিক ফাওবদা কোর্পোরেট হোস্পিটালশিং অমসুং হায়দ্রবাদতা লৈবা মরু ওইবা গভর্ণমেন্ট হোস্পিটাল অহুমদা খক কন্দক্ট তৌরকপা শেল য়াম্না চঙবা টেষ্ট অমসুং স্পেসেলিষ্ট টেষ্ট খরা য়াওনা টেষ্ট ৫৭ লেম্না কন্দক্ট তৌগনি।

দাইগনোষ্টিক সেন্টরশিং অসিদা কন্দক্ট তৌগদবা টেষ্টশিংদুগী মনুংদা কোভিদ টেষ্ট, ব্লদ অমসুং য়ুরিন টেষ্ট, দাইবেটিস, হাইপরটেন্সন, হার্টকা মরী লৈনবশিং, শরদ্ধ, লিভর, কিদনি অমসুং থাইরোইদকা মরী লৈনবা টেষ্টশিং অমসুং এক্সরে য়াওরি।

সেন্টরশিং অসি জুন ৭তগী লোঞ্চ তৌনবা লেপ্পল্লম্বদগী জুন ৯দা য়ৈথোকখিবনি। লোঞ্চকী থৌরম অদুদা মিনিষ্টর খূদিংমক চপ মান্নবা হান্না লেপ্পখিবা নুমিৎ অমসুং পুংফমদা শরুক য়াগদবনি হায়না চীফ মিনিষ্টর কে চন্দ্রসেখর রাওনা লাউথোকখি।

ষ্টেট কেবিনেটনা জুন ৮দা মীফম পাঙথোক্তুনা করম্বা মিনিষ্টরনা করম্বা দাইগনোষ্টিক সেন্টর লোঞ্চ তৌবদা য়াওগদগে হায়বদু লেপ্পলগনি। দাইগনোষ্টিক সেন্টরশিং লিংলিবা দিষ্ট্রিক্টশিংদি মাহবুবনগর, নিজামাবাদ, সঙ্গারেদ্দি, মেদাক, জঙ্গাওন, মুলুগু, মেহবুবাবাদ, ভাদ্রাদ্রি কোথাগুদেম, জগতিয়াল, সিদ্দিপেট, নালগোন্দা, খাম্মান, সির্সিলা, ভিকারামদ, নির্মাল, করিমনগর, অদিলাবাদ, গাদরংৱাল অমসুং অসিবাবাদনি।

দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টরশিংদা দাইগনোষ্টিক সেন্টর ১৯ লিংখৎনবা ৱারেপ লৌবা হায়বসি ষ্টেট অসিগী মেদিকেল অমসুং হেল্থ সেক্টরগী পুৱারীদা য়াম্না মরু ওইবা খোঙথাং অমনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়, লায়েংদা মীয়াম্না শেল চঙবা হেনগৎলক্লি। লায়রবশিংদি লায়েংনবা হোৎনবদা য়ূম-ইঞ্জোল য়োন্নরি। দাইগনোষ্টিক টেষ্টশিংগী মমল অদুক্কী মতিক ৱাংলক্লি। মীয়াম্না টেষ্টকীদমক্তা তৌদবা য়াদদুনা প্রাইভেট দাইগনোষ্টিক সেন্টরশিংদা চৎনদুনা লাক্লি।

চীফ মিনিষ্টরনা মখা তারদুনা হায়, দাইগনোষ্টিক সেন্টরশিং তাঙ্কক নাইনা অতে মফমশিংদসু লিংখৎকনি। গভর্ণমেন্টনা মীয়ামগী হকশেলদা অখন্নবা মীৎয়েং থম্মী হায়বসি খোঙথাং অসিনা উৎলি হায়না মহাক্না ক্লেম তৌখি। মহাক্না মিনিষ্টরশিং, এম এল এশিং অমসুং লোকেল বোদিগী মীহুৎশিংগা মেদিকেল অমসুং হেল্থ দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংগা কোওর্দিনেট তৌনদুনা মখোয় মখোয়গী কন্সটিট্যুএন্সিশিংগী মীয়ামদা ক্বালিটি লৈবা মেদিকেল ক্যের ফংহন্নবা পাউতাক পীখি।

# য়াসনা অমাঙ-অতা থোকহনখিবশিং য়েংশিন্নবা বেঙ্গলদা টিম থারগনি

ন্যু দেল্লী, জুন ০৬ (এজেন্সী):

য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনা টিম অমা নুমিৎ হুম্নি খোঙচৎতা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা থাদুনা সাইক্লোন য়াসনা শোকহনখিবশিং য়েংশিলহল্লগনি।

জোইন্ট দিরেক্টর-লেভেলগী ওফিসল অমা য়াওবা টিম অমনা নাবান্নাদা দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট অমসুং ফাইনান্স দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংগা মীফম পাঙথোক্কনি অমসুং সাইক্লোন য়াসনা শোকহনখিবা সাওথ ২৪ পর্গনাস অমসুং ইষ্ট মিদনাপোরগী মফমশিং য়েংশিনগনি হায়না সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী ছোর্স অমনা ফোঙদোরক্লি। হৌখিবা মে ২৬কী অঙনবদা ওরিষ্যাগী ধামরা অমসুং বালাসোরগী মরক্তা ইহান হান্না য়ৌরকখিবা য়াসনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মেদিনাপুর, জারগ্রাম অমসুং বঙ্কুরাগী মফম খরদা নোং কন্না চুহনখিবগা লোয়ননা অয়াম্বা মফমশিংদা ময়াই ওইরপকী চাং ফাওবা চুহনখি।

সাইক্লোন অদুনা ওরিষ্যা, জর্খন্দ, অন্ধ্র প্রদেশ, টামল নাদু অমসুং অন্দমান এন্দ নিকোবর আইলেন্দসতা অমাঙ-অতা কয়া থোকহনখি। নোং কন্না চুবদগী লমদমশিং অসিগী মফম কয়া ঈশিং থুমখি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিসু হৌখিবা থাদা ওরিষ্যা অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলদা চত্তুনা সাইক্লোন য়াসনা শোকহনখিবশিং য়েংশিনখি।

ৱেষ্ট বেঙ্গলদা সাইক্লোন অসিনা ঈশিং থুমহনবদগী পন্দুনা লৈবা মীওই চা-কয়া রেস্ক্যু তৌখি হায়না নেসনল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্স (এন দি আর এফ)না ফোঙদোকখ্রবনি।

## নুপীশিংগীদমক ভেক্সিনেসনগী স্পেসল বুথশিং হাংখ্রে

লক্ষ্ণৌ, জুন ০৬ (এজেন্সী):

নুপীশিংদা ভেক্সিন কাপ্নীং-দবগী ৱাখল কোকহন্নবগীদমক্তা লৌখৎলকপা খোঙথাং অমদা উত্তর প্রদেশ গভর্ণমেন্টনা মিসন জুনগী মখাদা নুপীশিংগী ওইবা স্পেসল বুথ ১৫০ হাংদোকখ্রে।

উত্তর প্রদেশ গভর্ণমেন্টনা থাদোরকপা ওফিসল ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না, নুপীশিংনা নুপাদগী হেন্না ভেক্সিন কাপ্নীংদে হায়বসি খঙলকপদগী নুপীশিংগী ওইবা ভেক্সিনেসনগী স্পেসল বুথশিং হাংবগী থৌরাংশিং অসি পায়খৎলকপনি। ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট খূদিংমক্তা য়ামদ্রবদা নুপীশিংগী স্পেসল বুথ অনী হাংদোকপা হৌনবা ইন্সট্রক্সন পীখি। ওথোরিটিশিংগী মতুং ইন্না দিষ্ট্রিক্টশিংনা অসিগুম্বা অহেনবা সেন্টরশিং টেহসিল কয়াদা হাংনবা ৱারেপ লৌজবা য়াই।

চৈরকসিদা ভেক্সিনেসন প্রোসেসতা চেন্নরিবা ওফিসলশিংনা ষ্টেট অসিদা নুপা ৯২,৪৪,৭৬৫ অমসুং নুপী ৬৯,৩০,২৪৫ ভেক্সিন কাপ্লে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ওফিসল স্পোক্সপর্সননা হায়, চীফ মিনিষ্টর য়োগি অদিত্যানাথনা অহেনবা খোঙথাং ওইনা নুপীশিংদা পাৱর শিন্নখি। ভেক্সিন কাপ্পা অসিনা কোরোনাভাইরসতগী ঙাকথোক্লবগী খ্বাইদগী ফবা পাম্বৈনি হায়খি।

# য়ু পিগী দিষ্ট্রিক্ট অয়াম্বদগী কোরোনা কর্ফিয়ু লৌথোকখ্রে

লক্ষ্ণৌ, জুন ০৬ (এজেন্সী):

উত্তর প্রদেশ গভর্ণমেন্টনা নোংমাইজিং নুমিত্তা দিষ্ট্রিক্ট মরিখক নত্তনা ষ্টেট অসিগী অতৈ দিষ্ট্রিক্টশিংদগী কোভিদকা মরী লৈনবা কর্ফিয়ু লৌথোকখ্রে।

লক্ষ্ণৌ, মীরুট, সহারানপুর অমসুং গোরাখপুর-দিষ্ট্রিক্ট মরি অসিদা হৌজিকসু কোভিদ কেস ৬০০কী মথক্তা লৈবদগী কর্ফিয়ু মখা তানা থল্লি।

এদিসনল চীফ সেক্রেটরি-ইনফোর্মেসন নাভনীত সেহগলগী মতুং ইন্না, দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ফিভম অমুক হন্না রিভিয়ু তৌগনি অমসুং করিগুম্বা ফিভম ফগৎলক্লবদি মখা তাবা ৱারেপ অমা লৌগনি।

থাংজ নুমিত্তা লক্ষ্ণৌদা এক্টিভ কেস ১,১২১ রিপোর্ট তৌখি, মীরুটতা এক্টিভ কেস ১,২৪৮ লৈখি, গোরাঘপুরদা এক্টিভ কেস ৭৮৩ অমসুং সহারানপুরদা এক্টিভ কেস ১,১৭১ লৈখি।

ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা বারেলি অমসুং জুলুন্দমাহর দিষ্ট্রিক্টশিংদা নিংথৌকাবা নুমিত্তগী কর্ফিয়ু কোমথোল্লগনি হায়না থাংজ নুমিৎতা লাউথোকখি। গভর্ণমেন্টনা কন্টেনমেন্ট জোনশিংগী ৱাংমদা লৈবা দুকানশিং অমসুং মার্কেটশিং চয়োল অমগী মনুংদা নুমিৎ মঙানি হাংবা য়াহনখি।

গভর্ণমেন্টনা দিষ্ট্রিক্ট ২০দগী কর্ফিয়ু লৌথোক্তুনা চয়োল অমগী মমাঙদা য়ু পিদা অনলোককী প্রোসেস হৌখি। এক্টিভ কেস মশিং ৬০০কী মথক্তা দিষ্ট্রিক্টশিংদা মখা তানা অথিংবশিং লৈখিগনি হায়না গভর্ণমেন্টনা লাউথোকখি।

হৌখিবা চয়োল অসিদা ষ্টেট অসিদা কোভিদ কেস মশিং লেপ্তুনা হন্থরক্তুনা অপূনবা এক্টিভ কেস মশিং ২০,০০০ য়ৌদ্রে। থাংজ নুমিত্তা য়ু পিদা অনৌবা কেস ১,০২৮ থেংনখিবদা ফরকপশিংগী মশিংনা ৪,৩৪৬ ওইখি। হৌজিক ফাওবদা ষ্টেট অসিদা লায়না অসিনা মীওই ২১,১৫১ শিহনখ্রে। য়ু পিগী অয়াম্বা দিষ্ট্রিক্টতগী কোরোনাভাইরসকা মরী লৈননা থমখিবা কর্ফিয়ু লৌথোকপগী ৱারেপ অদু চীফ মিনিষ্টর য়োগি অদিত্যানাথনা প্রিসাইদ তৌদুনা ফমখিবা অৱাংবা থাক্তা পাঙথোকপা মীফমদা লৌখিবনি।

# এস জি পি জি আই এম এসতা আউটপেসেন্টশিং কোভিদ রিপোর্ট মথৌ তারগনি



লক্ষ্ণৌ, জুন ০৬ (এজেন্সী):

য়ু পিগী য়োগি অদিত্যানাথ গভর্ণমেন্টনা ইরাই নুমিত্তগী গভর্ণমেন্ট মেদিকেল ফেসিলিটি খূদিংমক্তা আওট পেসেন্ট সর্ভিসশিং হাংদোকপা হৌহনখ্রবসু সঞ্জয় গান্ধি পোষ্ট-গ্রেজ্যুএট ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (এস জি পি জি আই এম এস)কী ওইনদি কন্দিসন অমগা লোয়ননা নিংথৌকাবা নুমিত্তগী হাংহল্লগনি।

এস জি পি জি আই এম এসনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, পেসেন্টশিং অমসুং এটেন্দেন্টশিংনা আর টি পি সী আর/ত্রুনেটকী কোভিদ-১৯ নেগেটিভ রিপোর্টকা লোয়ননা লাক্রুবদি স্পেসলিষ্টশিংগা তান্নবা হায়বসি ওইথোক্লোই।

ও পি দি সর্ভিসশিং নিংথৌকাবদগী থাংজ ফাওবা ফঙ্কসন তৌগনি। ও পি দিদা লাকপা মতমদা পেসেন্ট অমসুং মখোয়গী এটেন্দেন্ট খূদিংমক্না কোভিদ-এপ্রোপ্রিয়েট বিহেভিয়র (মাস্ক উপ্পা অমসুং সোসল দিষ্ট্রেন্সিং) ঙাক্কদবনি।

ওফিসলশিংনা হায়, পেসেন্টশিংগী কোভিদ মতুংগী কমপ্লিকেসনশিং য়েংশিন্নবা নিংথৌকাবা নুমিত্তগী এস জি পি জি আই এম এসতা পোষ্ট কোভিদ ক্লিনিক অমসু হাংলগনি। ক্লিনিক অদু সিনিয়র দোক্টর টিম অমনা চল্লাইগনি। মখোয়না রাজধানি কোরোনা হোস্পিটাল, এস জি পি জি আইদগী দিসচার্জ তৌরবা অমসুং ক্লিনিক অসিদা পলামোনরি, কার্দিয়াক, ইন্দোক্রিন নৎত্রগা ন্যুরোলোজিকেল প্রোব্লেমশিংগী মতাংদা তাননবা পাউতাক পীরবা পেসেন্টশিংগী ফিভম য়েংশিনগনি।

হেল্থ ক্যের ৱর্করস সর্ভিলেন্স কম্মিটিনা রিফর তৌবা এস জি পি জি আইগী পোষ্ট-কোভিদ হেল্থক্যের ৱর্করশিং অমসুং মখোয়গী ইমুংগী মীওইশিংসু য়েংশিনগনি।

পোষ্ট-কোভিদ ঈ-ও পি দিসু মথৌ তৌগনি অমসুং পেসেন্টশিংনা এক্সপর্টশিংগা তাননবা দেদিকেটেদ নম্বরদা কোল তৌবা য়াগনি। ক্লিনিসিয়ানশিংনসু মথৌ তাবগী মতুং ইন্না পেসেন্টশিংদা এপোইন্টমেন্ট পীবা য়াই। চৈরকসিদা ও পি দি সর্ভিসকী খুদোংচাবা লৌনবা ঙাইরিবা পেসেন্টশিংনা কোভিদ নেগেটিভ রিপোর্ট পুরক্লবা হোৎনবদা মতম চঙই অমসুং মসিনা আওটপেসেন্টশিংনা দোক্টরশিং তান্নবদা হেন্না থিন্থহনগনি হায়খ্রে।

এস জি পি জি আই এম এসদা লাকপা আওটপেসেন্ট অমা ওইরিবা ন্যুরোলোজিকেল দিসওর্দর লৈবা মশাগী চহী ৭০ হেল্লবা রাম কিশোর অগরৱালনা হায়, পেসেন্ট অমসুং এটেন্দেন্টশিংগী কোভিদ নেগেটিভ রিপোর্ট য়াওহনবা অসিনা লাইচৎ মনুংসিদা হেন্না খুদোংচাদবা থোকহনবগা লোয়ননা দোক্টর তান্নবা হেন্না লুশিলহনগনি। থা মখায় অমগী মতুংদা রিপোর্ট তৌবা লাকউ হায়রগদি ঐখোয় অমুক হন্না কোভিদ নেগেটিভ রিপোর্ট মথৌ তাহনগনি।


## THE MANIPUR LEGISLATIVE ASSEMBLY SECRETARIAT EMPLOYEES' WELFARE ASSOCIATION (MALASEWA) IMPHAL



TH. KHELENDRA SINGH



L. RAJEN

CONDOLENCES

Manipur Legislative Assembly Secretariat তা Under Secretary ওইনা থবক্তগী পোথাখ্রবা **SHRI THOKCHOM KHELENDRA SINGH** (Expired on 04/06/2021) Top Mayai Leikai দা লৈবিরম্বা অমদি Secretariat অসিদা G-IV ওইনা থবক তৌবীরম্বা **SHRI LOITONGBAM RAJEN** (Expired on 04/06/2021) Meitram Makha Leikai দা লৈবিরম্বা অনীনা ইখঙ-খঙহৌদনা লৈখিদবদা Manipur Legislative Assembly Secretariat Employee's Welfare Association (MALASEWA) না লৈঙাক্না পীরিবা SOP ঙাক্না অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা ফম্বগা লোয়ননা মিনিট ২ (অনী) তুমিন্না লেপখৎতুনা লৈখিদ্রবশিংগী থৱায়না মপূগী লৈকোলদা ঈংনা-চিক্না লৈরুনবা ঈশ্বরগী মফমদা থৌনীজখি লোয়ননা লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং-মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদসু শরুক য়াজরি।

Sd/- **Th. Ramananda Singh,**
Secretary, MALASEWA, Imphal

HL-B/6984/7



## শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্রায় নম:



পুর্ব্বাশ্রমদা ঐখোয়গী ইরক্তা তিনবীরম্বা **শ্রীলাইশ্রম ইঁতো সিংহ**-না মাগী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ অমদি মরুপ-মপাং খ্বাই পূম্নমকপু থাদোক্লম্লগা হৌখিবা তাং ৩১/০৫/২০২১ ইং, কালেনগী ২১নি পানবা নিংথৌকাবা নুমীৎতা শ্রীগুরুগী কৃপাদগী বেষ ওল্লগা শ্রীকৃষ্ণ চৈতৈন্যা হরিদাস হায়বা নাম ফংজদুনা বৃন্দাবন প্রাপ্তি ওইখ্রে।

লাক্লিবা তাং ০৫/০৬/২০২১ ইং, কালেনগী ২৬নি পানবা থাংজ নুমীৎতা অস্থি সঞ্চয় লৌগৎচরগা লাক্লিবা তাং ১৩/০৬/২০২১ ইং, ইঙাগী হুম্নি পানবা নোংমাইজিং নুমীৎতা চিড়া উৎসব দিন থোক্লে। নুমীৎ অসিদা লৈখিদ্রবগী আত্মা শান্তিগীদমক ঙমজবা বস্তু খরদং শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্র মহাপ্রভুগী চরন্দা কচ্ছগদৌরি। লৈবাক্কী হৌজিক ওইরিবা ফীভমনা ঈশ্বরগী থৌরম খক্তমক পাঙথোকচরগা লোইশিঞ্জরগনি।

*বিনিতগন :-*

**লাইশ্রম ওংবী মেম্মা দেবী (সহধর্ম্মীনি)**
**লাইশ্রম শ্যামবাবু সিংহ (মচানুপা)**
**লাইশ্রম বিনোইবাবু সিংহ (মচানুপা)**
**হাওরুংবম (ওংবী) জিবনলাতা দেবী**
**নোংথোংবম (ওংবী) মেমতোন দেবী**
**ফক্নুং মখা লৈকাই।**

HL-P/9908/7



## অৱাবা ফোঙদোকচবা



থৌবাল নিংথৌ লাই, Sabantongba গী হান্না মতম শাংনা লাই শেলুংবগী থৌ পুবিরম্বা মশাগী চহী ৮৭ শুরবা শ্রী সনসম তোল্লাপিশক সিংহ, থৌবাল সাবন্তোংবা ময়াই লৈকায়দা লৈবনা মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইদুনা হৌখিবা তাং ০৪/০৬/২০২১ ইং, ইরাই নুমীৎতা ঈশ্বরগী খূয়াদা চঙজখ্রে। তাং ০৫/০৬/২০২১ ইং, থাংজ নুমীৎকী অয়ুক পুং ৭.৩০ তাবা মতমদা থৌবাল নিংথৌ লাই Development Committee, Sabantongba না লাইগী লাইবুংদা কম্মিটি মেম্বরশিংনা COVID-19 গী SOP ঙাক্না মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে অমদি লৈখিদ্রবগী থৱায়না ঈংনা-চিক্না লাইরমলেনদা লৈরুনবগীদমক্তা ঈশ্বরগী খূয়াদা থৌনিজবগা লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু কম্মিটি অসিনা শরুক য়াজরি।

Sd/- **Secretary**,
Thoubal Ningthou Lai Development Committee,
Sabantongba

HL-P/9807/6&7



## নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি



Naorem Ibomcha

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খূদিংমক :- অমাংথোঙ নাম্থবা, পোম্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোম্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোম্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খূদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
Contact No. 6009147645/8014023792

HL-B/6972/17/5-15/6


## কোভিদ-১৯না খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা ষ্টেটশিং

| Location | Cases | Recovered | Deaths |
|---|---|---|---|
| Maharashtra | 58,20,000+13,659 | 55,30,000+21,776 | 99,512+741 |
| Karnataka | 26,80,000+13,800 | 23,80,000+25,346 | 31,260+365 |
| Kerala | 26,20,000+17,328 | 24,40,000+24,003 | 9,719+209 |
| Tamil Nadu | 22,20,000+21,410 | 19,30,000+32,472 | 26,571+443 |
| Andhra Pradesh | 17,50,000+10,373 | 16,10,000+15,958 | 11,376+80 |
| Uttar Pradesh | 17,00,000+1,027 | 16,60,000+4,346 | 21,151+120 |
| Delhi | 14,30,000+414 | 14,00,000+1,683 | 24,557+60 |
| West Bengal | 14,20,000+7,682 | 13,60,000+16,146 | 16,152+118 |
| Chhattisgarh | 9,80,000+1,356 | 9,41,000+3,408 | 13,192+30 |
| Rajasthan | 9,45,000+942 | 9,15,000+3,364 | 8,631+32 |
| Gujarat | 8,15,000+996 | 7,85,000+3,004 | 9,921+15 |
| Odisha | 8,06,000+7,395 | 7,32,000+7,616 | 2,952+40 |
| Madhya Pradesh | 7,84,000+718 | 7,65,000+2,225 | 8,295+38 |
| Haryana | 7,62,000+723 | 7,43,000+1,744 | 8,664+59 |
| Bihar | 7,12,000+1,007 | 6,97,000+1,667 | 5,340+21 |
| Telangana | 5,90,000+2,070 | 5,57,000+3,762 | 3,364+18 |
| Punjab | 5,78,000+1,878 | 5,39,000+3,619 | 15,009+82 |
| Assam | 4,33,000+3,781 | 3,76,000+3,099 | 3,621+44 |
| Jharkhand | 3,41,000+517 | 3,30,000+1,098 | 5,046+12 |
| Uttarakhand | 3,34,000+619 | 3,10,000+2,564 | 6,664+33 |
| Jammu and Kashmir | 2,99,000+1,448 | 2,67,000+2,615 | 4,051+25 |
| Himachal Pradesh | 1,95,000+818 | 1,82,000+1,102 | 3,279+19 |
| Goa | 1,59,000+567 | 1,48,000+1,433 | 2,744+17 |
| Puducherry | 1,08,000+613 | 98,043+1,312 | 1,613+12 |
| Chandigarh | 60,585+98 | 58,892+175 | 768+3 |
| Chandigarh | 60,585+98 | 58,892+175 | 768+3 |
| Tripura | 55,234+654 | 48,195+532 | 558+8 |
| **Manipur** | **54,407+717** | **44,519+740** | **872+9** |
| Meghalaya | 38,230+497 | 31,781+801 | 652+9 |
| Arunachal Pradesh | 29,113+327 | 25,237+402 | 123+1 |
| Nagaland | 22,696+309 | 17,455+179 | 422+6 |
| Ladakh | 19,147+71 | 17,782+254 | 195+1 |
| Sikkim | 16,771+253 | 12,285+283 | 268+2 |
| Mizoram | 13,567+267 | 10,151+335 | 53+2 |
| Lakshadweep | 8,667+99 | 7,469+145 | 38+2 |
| Andaman and Nicobar Islands | 7,105+17 | 6,876+24 | 122+1 |